ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur

DISTRICT ELECTION OFFICER, JIRIBAM
SYSTEMATIC VOTER'S EDUCATION AND ELECTORAL PARTICIPATION
SVEEP CAMPAIGN

এপ্রিল ২৬তা ভোট থাদনগদৌরিবা জিরিবাম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা মীয়ামদা এৱেয়ার্নেস পীনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা স্পীপ কেম্পেনগী বাইক রেল্লি অমা লমথাখিবা

চেকশিল্লু! মীগী লাংদা থুজনি, লাংদা থুদবা জিব লৈতবনি ... ☛ লামায় ২

লামায় ৫ ☛ মীকপ থোক্লে ! অমুক হন্না তুমথরসিরা?

‘পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা খূৎলায় পায়বশিংনা নম্ফু চথখিবা ... ☛ লামায় ৬

লামায় ৮ ☛ ই এন পি ওগী টোটেল সট দাউন্দ মরক্তা ইষ্টর্ন ...

মণিপুরগী বিদ্যাচন্দ্রনা মিজোরামগী ইজরিল মায়থীবা ... ☛ লামায় ৯

লামায় ১০ ☛ য়ং ৰেলফ্যের ক্লবনা যুঠ ৰেলফ্যের ক্লব মায়থীবা ...

ন্যু দেল্লীগী দ্বারকাদা লৈবা রাদিসন ব্লু হোটেলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা জেনিমস রোদকী দাইবেটিস এন্দ রিছর্স সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. মোইরাংথেম ধনবিরদা দাইটেটিক্স ত্রিটমেন্ট এক্সিলেন্ট এৱার্দ খূৎশিন্নবা

Vol. 48, Issue No. 021 | নোংমাইজিং, শজিবু ১৩নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, April 21, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

মণিপুরদা দেমোক্রেসি ফৈজৈ চিংথোকখিবা থৌদোকশিংবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপা য়ামখৎলক্লি

মণিপুরীশিংগী ইকায়খুম্নবা লৈখা তাহল্লে : সী পি আই

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : ঙরাং পাঙথোকখিবা মণিপুরগী ইন্নর অমদি আউটরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৪৭কী মীখলদা ইন্নরদা বি জে পিগী সিটিং এম এল এ য়াওনা লৈঙাকসিবু শৌগৎপা এম এল এ খরগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা পামদবা থৌদোক কয়া থোকখিবদু য়ানীংদে হায়বগা লোয়ননা অথুবা মতমদা রিপোল তৌগদবনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, সী পি আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পার্টি অসিগী চেরোল অমনা হায়, মীখলগা মরী লৈননা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী অকোয়বদা মী শোকপা য়াবা খূৎলায় পুবা য়াদবগী অথিংবা থল্লবসু ফোংনা নোংমৈ পায়দুনা বূঠ কেপচর তৌরগা নম্ফুদা ভোট থাদখিবশিংবু থিংবা ঙমখিদবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমদি প্রিসাইদিং ওফিসরশিংগী মথক্তা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

মমা-মপাদা খূৎ থাবনি হায়না লৌই : অসেম নিরমলা

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : ঙরাং মীখল নুমিৎতা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদু পেন্দে হায়রদুনা থৌদোকশিং অদু মমা মপা ওইবশিংদা খূৎ থাবনি লৌই হায়না খ্বাইরক্পন্দ নুপী কৈথেল অপূনবগী মায়কৈদগী অসেম নিরমলানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, লৈবাক্কীদমক্তা তশেংনা থোরকপদা অমসুং ইমা হায়দুনা কৌরকপদা ঐখোয় লৈবা ঙমদনা খা-রাই খঙদনা চেল্লকখিবনি। মসিগী থকসি-খাসি অমদি হৌন-লোনচৎ অদু মমা ওইবশিংদা উৎকদবনি। ঙরাং থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদু ঐখোয় কনানা থোকহনবনো হায়বা খঙদে। এক্স, ৰাই, জেদ ওইসনু থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নরিবশিংনা লাল্লে হায়ফম থোকই। ঙরাং ইমা অমনা উৎখিবা মতৌ অমসুং লাউখিবা ৰাফমশিং য়াম্না থম্মোয় শোকই হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

মণিপুরগী পুৱারীদা অমুবা কালি তৈশিনবনি : মায়োল

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : ঙরাং পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজগী ইলেক্সনদা অরানবা কাঙলোনদা মফম খরদা ভোট থাদনখিবগী মমি চাউনা তাখিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি হায়না মণিপুর যুথ লিক (মায়োল) গী প্রসিদেন্ট অসেম প্রিন্সনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা মায়োলগী টেম্পররি ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না ৰাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, ঙরাংগী থৌদোকশিং অদুমক চাওখৎপগা য়েমৌনবা থৌদোকনি। তুংগী মীরোলবু হাৎতোকপনি হায়না মায়োলনা লৌই অমসুং অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

নম্ফু হাফুদা খূৎলায় পায়দুনা ভাইওলেন্স চথ্দুনা ভোট থাদহন্নবা হোৎনরকপা, বূঠ কেপচর তৌবা, মফম খরদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

ইন্নরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৫গী পোল্লিং ষ্টেসন ১১দা অমুক হন্না এপ্রিল ২২দা ভোট থাদনরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস):

ঙরাং অয়ুক পুং ৭তগী হৌরদুনা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী ইন্নরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩২ অমসুং আউটরগী ১৫ পূন্না ৪৭কী মনুংদা ইন্নরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট খরগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা খূৎশু খূৎলায় মতিক চানা পায়বা মীওইশিং লাক্লগা লোগী ৰাংমদা মখোয়না তৌনীংবা থবকশিং চথুরম্নদগী ৰাথোক ওইরক্নুনা ভোটরশিংনা নীংথিজনা ভোট থাদজবা ফংখিদ্রবা এসেমব্লি সেগমেন্ট মঙাগী পোল্লিং ষ্টেসন ১১দা অমুক হন্না থা অসিগী ২২ (নিংথৌকাবা নুমিৎ) গী অয়ুক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদনরগনি হায়রি।

ৰাফম অসি চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুর প্রদিপ কুমার ঝানা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরকপনি।

চেরোল অসিনা হায়, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না রিপ্রজেন্টেসন ওফ দি পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ৫৮ (২) অমসুং ৫৮ এ (২) না পীবা প্রোভিজনগী মতুংইন্না ঙরাং পাঙথোকখিবা নম্বর ১ - ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী অপূনবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩২গী মনুংদগী সেগমেন্ট ৫গী পোল্লিং ষ্টেসন ১১দা অমুক হন্না ভোট থাদনরগনি হায়রি।

এপ্রিল ১৯, ২০২৪দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগী অহানবা ফেজদা থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৫/৩১ খোংমন জোন ফাইভ (এ) দা ওইখিবা ফীভম

রিপোল পাঙথোক্লগদবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদি ৩-খুরাইগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩/১১ - শাজেপ এ (মোইরাংকম্পু শাজেপ প্রাইমারি স্কুল), ৩/২১ - খুরাই থোঙাম লৈকায় (এস ইবোবী প্রাইমারি স্কুল), ইষ্ট ৰিং, ৪- ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৪/৪৩- বামোন কম্পু (নোর্থ-এ), বামোন কম্পু অপ্পর প্রাইমারি স্কুল, ৪/৪৪- বামোন কম্পু (নোর্থ-বি), পাইওনিয়র একাদেমি, ৪/৪৫ - বামোন কম্পু (সাউথ ৱেষ্ট), ইরিলবুং হায় স্কুল (নোর্থ ৰিং), ৪/৪৬-বামোন কম্পু (সাউথ ইষ্ট), ইরিলবুং হায় স্কুল, সাউথ ৰিং, ৫- থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৫/৩১ - খোংমন জোন ফাইভ (এ), নেসনল চিলদ্রেন্স স্কুল, ১০-উরিপোক এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১০/১ ইরোইশেম্বা, ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুল (ইষ্টর্ন ৰিং), ১০/৬- ইরোইশেম্বা মমাঙ লৈকায়, ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুল (ৱেষ্টর্ন ৰিং), ১০/৭- ইরোইশেম্বা ময়ায় লৈকায়, ইরোইশেম্বা অপ্পর প্রাইমারি স্কুল (মিদল ৰিং) অমসুং ১৮ - কোন্থৌজম এসেমব্লি সেগমেন্টগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৮/২২- খাইদেম মখা, খাইদেম প্রাইমারি স্কুল (সাউদর্ন ৰিং) নি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

‘শকখঙদবা’ হায়বসি কনানো, দেমোক্রেসিগী রাইট মৎলে, ৰা ঙাঙবদা ফাওবা নীক্লে : ইমাগী মৈরা

ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.২০ তারকপদা শীংজমৈ মথক থোকচোম লৈকায়দা লৈবা টি ঐচ সুজেতাগী য়ূমদা শকখঙদবা ২না নোংমৈ মরূ ৩ কাপশিল্লম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): ঐখোয় হিংবসি য়াম্না কিরল্লে, শকখঙদবা হায়বসি কনানো, দেমোক্রেসিগী রাইট ফাওবা ফংলক্ত্রে/মৎলে, ৰা ঙাঙবা ফাওবদা থক-থক নীক্লে হায়না ইমাগী মৈরাগী কনভিনর টি ঐচ সুজেতানা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মখা তানা হায়, হৌজিক চাক খরা চারগা শ্বর হোল্লি হায়বদা মঙাইরে। হৌজিক্কী মতমদা শকখঙদবা হায়বা অমা থোরক্লিবসি করিগীনো, মমাঙ মমাঙদসু মীদিয়াশিংদা থোকখিবা ময়াম অমসু লৈখ্রে। মসি হান্না থিংহৌবা কৈদৌবগে। দিপার্টমেন্ট ওইরো, দি সী ওইরো ইলেক্সন সেভ ওইরে, কন্ট্রোল তৌরে হায়বগী মেসেজ কয়া মীদিয়াদা থোকখিবনি। মসিদসু নত্তনা থ্রেটন তৌবগী পাউ কয়াসু লৈখি। মসি থোক্তনবা থবক পায়খৎতবগী মরম করিগীনো হংখি।

থৌদোকশিং অসি ঐখোয়গী ফ্রন্টলাইনদা লৈরিবা ষ্টেটতসু থোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুনা থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট, দি সী অমসুং হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা রুলিংনসু পাউখুম পীগদবনি। ঙরাংগী থৌদোক্তু য়াম্না কন্না য়ানীংদবগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

ইশা খঙদনা ভোট থাদবীরম্লে : সুরজকুমার

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস):

ঙসি খুরাই থোঙাম লৈকায়গী সাইবো হোস্পিটালগা মায়োক্লবা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা খুরাই এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩/২১ ইবোবী প্রাইমারি স্কুল (ইষ্ট ৰিং) দা ভোট থাদবা চৎপদা ইশা খঙহন্দনা থাদবীরম্লে হায়বগী ৰাথোক্তা ভিক্টিম ওইরিবা সেঞ্জম সুরজকুমারনা মশাগী ভোট থাদবা চৎপদা মীনা থাদবিরম্বনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক অসিগীদমক এজেন্টশিংগা মিনট ৩০ মুক মরৈ য়েংনখি। মহাক্না মশা য়াওদনা মতৌ করম্না ভোট থাদহল্লম্লিবনো হংবদা এজেন্টশিংনা পাউখুম পীরকখিদে হায়খি।

থৌদোক অসিদগী মহাক্না মশাগী সিরিএল নম্বরদা থাদজগে হায়রুবদা অতোপ্পা মীওই মঙাসু তৌখ্রবনি হায়রকখি। মরম অসিদগী ইমা ইবেল ময়াম চঙলক্তুনা ঈৰাং হৌরকখিবনি হায়রদুনা থৌদোক অসিগী ওন্ন-তৈনবদা মিনিষ্টর সুসিলদ্রোগা মহাক্কী মথক্তা এফ আই আর কেস লৌখৎকনি হায়না হায়রকপসি য়ানীংদে। ইলেক্টোরেল ওফিসরশিংনা অরানবা থবক তৌবগী মথক্তা এক্সন লৌখৎতনা মশাগী রাইটপ্পু খোঙ্গৌইনবীগনু হায়রুবগী মিনিষ্টর সুসিলদ্রোনা এফ আই আর পানশিল্লকপসি য়াম্না নুংঙাইতে হায়খি।

ৰিমেন দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খুরাই থোঙাম লৈকায়গী প্রসিদেন্ট চবুংবম ইবেমপিশকনসু মীয়ামগী হক মৎপীগনু অমদি থৌদোক থোকখ্রিবা পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা রিপোল তৌগদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, সী ঈ ওনা রিপোল তৌরগনি হায়রকপা পোল্লিং ষ্টেসন ১১গী মনুংদা হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন অসিসু য়াওরকখি।

কুকি লমহেনবশিংনা মাঙহন তাকহনবা লেপত্রি
কে আর এনি চিংনবশিংনা পৱার গ্রীদকী ইলেক্ট্রিক পুবা টৱার বোম ফুমদুনা থদৎলম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৬তা ইম্ফাল তম্না পোৎ চৈ অমদি পেট্রোল, দিজল, এল পি জি অমসুং এয়র ট্রাফিক ফ্যুএল (এ টি এফ) নচিংবা পুরকখিবা ত্রকশিংবু কাইমাই অমসুং তোলেন খুল অনীগী মরক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবদা নত্তনা দ্রাইভর অনীবুসু শোকহনবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং সিলচরদগী য়ুরেম্বম তম্না ইলেক্ট্রিক পুরকপদা শীজিন্নরিবা পৱার গ্রীদ কোর্পোরেসনগী টৱার অমসু মখোঙ মরিদা বোম ফিট তৌরগা পোকখায়হন্দুনা থুদেক্লম্লে।

কুকি লমহেনবশিংনা মখা তানা মাঙহন-তাকহনবগী চথুরক্লিবা থৌদোক অসি ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা কৈথেলমানবী পি এসকী মনুং চনবা কোটলেন্দগী মফম অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়বদা মাঙহন-তাকহনবগী থৌদোক অসিদা পৱার গ্রীদকী অৱাংবা টৱার অসিগী মখোঙ মরিমক থদৎখ্রে। থৌদোক অসিদা মীওই অমত্তা অশোক অপন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

কুকি মিলিটেন্টশিংনা বোম ফুমদুনা থুদেক্লম্লবা পৱার গ্রীদকী টৱার

কুকি মিলিটেন্টশিংগা কাপ্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩৫ রোম তারকপদা য়াইঙংপোকপী পি এসনা কোনবা থম্নাপোকপী খুলগী মনীংদা লৈবা মীতৈ উয়োকচীং মতোন্দগী মীতৈ খুলশিং তম্না কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ৪/৫ রোম কাপ্পকপদগী খুল ঙাক্লিবশিংনসু হন্দুনা কাপখ্রে।

অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ লৈখিদে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL Poll
Q : Aningba apamba phongdokpada hekta yade, ngangnilabasu bullet proof jacket littrabadi yade haibagi phibam Manipurda oiraklabra?
POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes ☐ No ☐
Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu
NGARANG GI RESULT
Q : Ngarang Manipurgi meekhalda thokkhriba thoudoksingdu Lan manungda pangthokpa election oibadagi thokkhibani haiduna louba yagadra?
Yes 17% No 83%

দ্রাইভরশিং হাৎনবা হোৎনরক্লবসু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়েংদুনা লৈরে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী (এন ঐচ-৩৭) গী কাইমাই এরিয়াদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা ওইল টেঙ্কর দ্রাইভর ২ অশোক অপন নংহনখিবা অমদি এল পি জি অমসুং থাও পুরকপা গাড়ী ৫ অকায় অতোয় থোকহনখিবা থৌদোক অদু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দ্রাইভরশিংগী থৱায় মাঙবা য়াবা থবক তৌরকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা করিগীনো হায়না ঙসি ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম প্রদক্টস দ্রাইভরস এসোসিএসন (এ এম পি পি দি এ) না মালোমদা লৈবা ওইল দিপো মমাঙদা ৰাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ৰাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দ্রাইভরশিংনা পেন্দবা ৰারোল ইবা প্লেকার্দ কয়া পায়দুনা থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈঙাক্না হৌজিক ফাওবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা এক্সন অমত্তা লৌখৎহন্দ্রিবা করিগীনো হায়খি। দ্রাইভরশিংনা ফোঙদোরকপদা এ এম পি পি দি এনা থৌদোক অসিগী মতাংদা এন ঐচ -৩৭তা অহেনবা সিক্যুরিটি থম্বীয়ু অমদি রোদ ওপনিং পার্টি মতিক চানা পীবিয়ু হায়জখিবা অদুসু তাবীদ্রে। করিগুম্বা এ এম পি পি দি এগী দিমান্দ অসি থবক্তা ওন্থোক্তুনা দ্রাইভরশিংগী য়াইফনবা শিনবীদ্রবদি ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা সূ মখা তানা তৌদনবা রিজোল্যুসন লৌখ্রবনি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা লোনা য়াদবা অমদি দ্রাইভরশিংগী থৱায় মাঙবা য়াবা থবক তৌরবনিনা শুট এট সাইট ওর্দর ফাওবা পীফম থোকই হায়খি।

অমরোমদা, কোওর্দিনেসন কম্মিটি পোল এন্দ বল্ক এল পি জি দ্রাইভরনা ঙসি মণিপুরগী গভর্ণর অমসুং চীফ সেক্রেটরিদা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুরিবা গাড়ীশিংদা টেররিজমগী থৌওং চথুরকপশিংদা শুট এট সাইটকী ওর্দর পীগদবনি, অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিং মতুংদা থোক্লকপদা সিক্যুরিটি এস্কোর্টশিংনা চপ চানা থেংনগদবনি, করিগুম্বা দ্রাইভরশিংদা অশোক অপন য়াওরকপা নৎত্রগা শোইনাইবা থোক্লবদি লৈঙাক্না ইমুং মনুংদা থবক অমা নৎত্রগা লুপা লাখ ১৫গী শেলগী মতেং পীগদবনি অমসুং লৈঙাক পায়রিবশিংনা ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা দাইলোগ তৌদুনা সোল্যুসন পুরক্কদবনি হায়বা ৰারোলশিং য়াওবা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

থোংজু অমসুং নম্বোল য়াওদনা ইন্নরদা ভোট ৭,৩০,৪৩৩ থাদনখি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) : ঙরাং পাঙথোকখিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীখলদা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অপূনবা সেগমেন্ট ৩২গী মনুংদা থোংজু অমসুং নম্বোলগী য়াওদনা লেমহৌরিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩০দা পূন্না ভোট ৭,৩০,৪৩৩ থাদনখি হায়না কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী রিটর্নিং ওফিসরনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমদা হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩০দা থাদনখিবা ভোটশিংনা ১- খুন্দ্রাকপম - ২০৬৪৬, ২- হৈঙাং- ৩০২৮৫, ৩- খুরাই ২৭২৪৪, ৪- ক্ষেত্রিগাও- ২৮৮৮৬, ৬- কৈরাও - ২৫১৫৬, ৭- অন্দ্রো - ৩০৪২৭, ৮- লম্লাই - ২৩৯৫৮, ৯- থাংমৈবন্দ - ২০১২৬, ১০- উরিপোক - ১৬৫৩৯, ১১- শগোলবন্দ - ১৭৪৫৮, ১২- কৈশামথোং - ২১৫৫৩, ১৩- শীংজমৈ - ১৬৯৩৬, ১৪- য়াইস্কুল - ২০৫৭৬, ১৫- ৱাঙ্খৈ - ২৫৩২৩, ১৬- সেকমাই - ২৩০৫৭, ১৭- লমশাং- ২৭০৮৭, ১৮- কোন্থৌজম - ২৪৭৮৩, ১৯- পাৎশোই- ৩০১৩৯, ২০- লংথবাল - ২২৩৪৭, ২১- নাওরিয়া পাখংলাকপা - ২৮৬৪১, ২২- ৱাঙ্গৈ - ২৪৩১১, ২৩- ময়াং ইম্ফাল - ২৫০১২, ২৫- ওইনাম - ২২২২৪, ২৬- বিষ্ণুপুর - ২৫৯৭০, ২৭- মোইৰাং - ৩০১৬৪, ২৮- থাঙ্গ - ১৭৩১১, ২৯- কুম্বী - ২০৪৪০, ৩০- লিলোং - ৩০০৩৯, ৩১- থৌবাল - ২৬২০২ অমসুং ৩২- ৱাংখেম - ২৭৯৯৩নি হায়রি।

হায়ৱে ২দা দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি : সোতিনকুমার

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইরিবা হায়ৱে অনী - ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী অমসুং ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা চৎলিবা পোৎ-চৈ, থাও, গ্যাস পুবা গাড়ীনচিংবা কয়া অসি নোংজু থাগী মতমদা য়াম্না ফৎখিদ্রবা লম্বী অনীসিদা মথ্থায় খূবাক্তা হাপ্তুনা মণিপুর মীয়ামগীদমক পোৎলমশিং ফংহন্নবা থবক তৌরিবশিং অসি শিন্মীশিংনি হায়না ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী), মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনশিংবু হায়রিবা লম্বী অনীসিদা খূৎলায় পায়বশিং অমদি তোঙান তোঙানবা খূৎপুশিংনা নমদুনা শেনখাই-থুমখাই লৌবা, অকি-অখং পীবা, হাৎপা-তুপ্পা, গাড়ীশিং মৈ থাদোকপা, লোকখাদা ইন্তবগী থবক তৌরিবশিং মখা তানা থোকহন্দনবা এ আই টি য়ু সী, মণিপুর অমসুং দ্রাইভরশিংগী লূপ অমসুং সী এস ওশিংনা হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীনবা কয়ারক হন্না সেন্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্তা হায়জখ্রে, দিমান্দ কয়ারকসু তৌখ্রে, খোঙজং কয়ারকসু চঙশিনখ্রে। অদুবু মতম খরা সিক্যুরিটি খরা হেক পী, আর ও পি খরা হেক থম, ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা য়ান-য়ানবা থবক তৌদুনা লৈরে।

হন্দক জিরিবাম লম্বীগী কাইমাইগী লম্বী মনাক্তা থোকখিবা থৌদোক হৌজিক ফাওবা তাশিন্নদনা লৈরে। পেন্দ্রবা দ্রাইভরশিংনা ৰারেপ লৌদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে। অদুবু ...মখা লমায় ৩ কলম ১

আউটরগী মীখল : শেল য়েনবা য়েন্দবা থোইদোক্তে, অফবা মীরেপ খল্লগা ভোট পীগনি : দারসিম দাংসৱা

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস) :

ঙরাং অহানবা ফেজদা ভোট থাদনখ্রবা নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা এসেমব্লি সেগমেন্টশিং অমসুং আউটরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট ১৫গী মনুংদগী ভোটর খরনা ফোঙদোরকপা ৰাফমশিং রিপোর্ট তৌখ্রবা মতুংদা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৰাংহৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ১৩গী মীখলদা ভোট থাদগদবা ভোটরশিংগা উনরুবদা **তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী খুনবী খুলদগী ককচীং কৈথেলগী থোং মথক্তা হৈ-রা য়োল্লম্বী টিসাংফুল কৌবী নুপী অসিনা হায় :** ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিং মশক অমত্তা খঙদে। মমাঙদা পাঙথোকখিবা মীখলশিংদদি ভোটকা মরী লৈনবা চে চাইবা, পোষ্টর থেৎপনচিংবশিং তৌবনিনা কেন্দিদেটশিংগী মশক খঙখি অদুবু হন্দক্তি মীরেপশিংগী মশক অমত্তা খঙদ্রবনিনা ইচাশিং য়াওনা অখঙবা মীওইশিংদা হংলগা কনানা ফগদগে হায়বদু য়েংলগনি অদুগা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনদা ভোট থাদরগনি হায়রকখি।

মীখল অসিদা অফবা মতিক চাবা কেনি দদেটতা ভোটপীগনি। হৌজিক খুলগী এম এল এ/মিনিষ্টর অসিনা পায়রকপদগী হারনচিংবা অমত্তা ফংদে। মরম অসিনা হন্দক্তি ভোট থাদরমদাইদা খরা খল্লগা থাদরগনি হায়না ফোঙদোরকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

লোক সভা মীখল - ২০২৪দা মীয়ামগী হকথেংনবা পাউদম

MANIPUR LOK SABHA ELECTION 2024

টিসাংফুল (ওই) দারসিম দাংসৱা, খুনবী ভিলেজ, তেংনৌপল

অস! লোইরেহে!



- কনাদা থাদখি?
- ꯀꯅꯥꯗꯥ ꯊꯥꯗꯈꯤ?
- কনামত্তা হায়রক্তেনা নোটাদা কিং নম্মে!

কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মখোঙ শোকহনখিবা দ্রাইভরদা এম দি এনা তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২০ (ঐচএনএস): থা অসিগী ১৬তা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী তোলেন খুল অমসুং কাইমাইগী লোন্নবা মফম অমদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী য়েংথংবা খোঙগী খুনীং পুমতোই তোইনা কায়খিবদগী কৃপাদাসিনি এদভান্স হোস্পিটালদা লায়কন্নরক্লিবা মন্ত্রিপুখ্রিগী অশানবা য়ূমদা লৈবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ইরংদগী তুলারাম মগরদা মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন (এম দি এ) গী মায়কৈদগী শেলগী মতেং খূৎশিন্নখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী মহাক্কী হকচাংগী ফীভমসু য়েংশিনখিবগা লোয়ননা শেলগী তেংবাঙ খূৎশিন্নবদা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সাইখোম বাবুধোন, এদভাইজর গঙ্গা অমদি সেক্রেটরি জেনরেল ক্ষেত্রিময়ুম সঞ্জয় শরুক য়াখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২